থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অচুম্বা অমসুং থাজবা তুংওইনরম্লবা পোলিটিক্স

লৈঙাকপা (পোলিটিসিয়ন) শিং অসিনা করিগী ওইদবা ঙাঙলিবনো? ৱাহং অসি করিগুম্বদা ইদোম তুমিন হংজখ্রবরা? নৎত্রগা মরুপ-মপাংশিংগা ফম্মীন্নদুনা ৱারী শানবদা ৱারীগী টোপিক ওইদুনা খন্নখ্রবরা? অদু নৎত্রগা অদোম 'লৈঙাকপশিংনা ঙাঙবা ৱাবু' হায়দুনা করিমত্তা খন্দনা, সিরিয়স ওইনা লৌখিদবরা? অমদি শোয়দনা তৌরমগনি। মরমদি, ঐখোয় লৈঙাকপা অমনা ঙাঙবা/হায়খিবা ৱা হায়বসি ঐখোয় কৈদৌঙৈদা তরায়না লৌরোইদবনি। মখোয়দি লো মেকরনি। মতম অমদা অইবা আইন (লো) লৈত্রিঙৈদা, মখোয়না হায়দোকখিবা ৱাহৈদুনা লো ওইরম্লিবনি। অদুনবু মখোয়, য়াম্না মরুওইবা মী (ভেরি ইমপোর্টেন্ট পর্সন/ভি আই পি) অমা ওইনা লৌনরিবনি। পাউচেশিংদা, ন্যুজ/মিদিয়া চেন্নেলশিংদা মখোয়না হায়বা ৱা/ৱাহৈশিংদু 'কোট' তৌদুনা, হায়লাইট তৌদুনা ফোঙনরিবনি। অফবা পোলিটিসিয়নশিংনা হায়রম্বা ৱা ঙসি ফাওবা কাউদনা নীংশিংনরিবনি। ...'সিনা রিপব্লিকানশিংগী ৱানি, সিন দেমোক্রেটশিংগী ৱানি হায়বা ৱাফমদু তোকসি, ঐখোয় অচুম্বা পাউখুম থিসি ... হৌখ্রবা মতমগী মীরোলদা মরাল থঙজিন্নবই মওংদু তোকসি, তুংলমচৎকী মীরোলগীদমক ঐখোয়না ঙসি তৌগদবা ঈথৌ করিনো খঙদোকসি' ... অমেরিকান প্রসিদেন্ট জোন এফ কেন্নেদিনা হায়রম্বা ৱা অমনি। ঙসি য়েংসি ঐগী ইরৈবাকসিদা। ...'চহী য়াঙখৈ চূপ্না কোংগ্রেসনা মাঙহন তাকহল্লম্লবা, সর্বনাস শাহল্লম্লবা লৈবাকসিবু চহী মঙাসিদা করম্না মীমান্নহনবা ঙমদৌরিবনো?... শেঞ্জা থুমজানা হারবা মমাঙগী লৈঙাক অদুনা কাং-খোং চাইহল্লম্লবা ইকোনোমিনি, হান্নই ফীভম অদুদা অমুক পুরকপা অরায়বা থবক নত্তে'... মশানা তৌগদবা অমদি তৌরিবা, ওপটিমিষ্টিক ওইবা থবক অমত্তগী ৱা ঙাঙদবা, মহাক্কী মমাঙদা লৈবাক ঙাক্লম্বা মখোয়তগী অশোয়বা, নৌনা লৈবাক ঙাক্লকপা মখোয়না কোনশেং-অচুম্বা তৌগে ঙমদ্রবা!

পোলিটিসিয়নশিং - তৌরোইদবা থবকপু তৌনি হায়না ৱাশকপা, ঈশিং লৈত' পুখ্রিদা ঙা য়োক্কনি থাজহনবা, ওইদ-পাদবা মীনম্বশিং অশেংবা-অচুম্বা মান্না ঙাঙবা ঙম্বা মখোয়দুবু কৌই হায়বসি হায়নরকই তোঙান তোঙানবা ৱাহায়দা, তোঙান তোঙানবা লমদমদা। ইলেক্সন - মতম লাকপা খুদিং ওইদ'ৱাশক পরেং অনৌবা লেংলকপদু তানীংবনসু লাংতক্লে - অপঙবসু অশিঙবসু। চেদখত্তা লৈহৌগদবা মেনিফেষ্টোগী ৱা নত্তনা, ভোট কাখিবসু - কাখিদবসু ফংলিবা ভোট'তু ফংনবা ভোট্টরশিংদা ঙাঙলম্লিবা ওইদবই ওইদবা ঙাক্তনি। অমেরিকান অইবা 'জোন মিঅরসৈমর'না মহাক্কী লাইরিক 'লুচিংবশিংনা করিগী ওইদবা ঙাঙলিবনো' হায়বদুদা লুচিংবশিংনা ঙাঙখিবা ৱা/পীখিবা স্পিচশিং নৈনরগা অসুম্না হায়, ... 'পোলিটিকল লীদরশিং, মীরৈবাক্কী লুচিংবশিংদা ৱারী শাবদদি অদুক হাক্লা ওইদ-পাদবা ৱা হায়জিন্দে, মখোয়না ওইদবা ঙাঙলিবসি মশামক্কী মীয়ামগী মফমদনি'...। কয়াদা চম্না পীরমখ্রবা ষ্টেটমেন্ট'নো য়েংবীয়ু। অতৈগী ৱা খনবীরুনু। অদোমগী এম এল এ (ঙসি মিনিষ্টর ওইরিবশিংসু য়াওনা), অদোম অমদি অদোমগী ইমুং-মনুংগী ভোট খরদু ফংননবা, মহাক্লা থাজবা পীরম্বশিংদু অমুক্তং নীংশিংবীয়ু। নোংমা, খুদোংচাবা অমা ফংবদা নীংশিংবীরুচো। হায়রক্কনি- 'ভোট' তা ঙাঙখিবা ৱাদু' ...! অদোমগী ৱাহৈ, মপূম ফানফাও তাবীরোই।

হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা নরেন্দ্র মোদি'না ঙাঙখিবা, মরু ওইবা মীফম খরগী ৱাঙাঙ নীংশিংবীয়ু - চহী মঙাগী মমাঙদা ঙাঙখিবা মরু ওইবা ৱাঙাঙশিংগা চাংদম্নবীয়ু। মীৎমাঙদা তরং-তরং চোংথোক্লক্কনি - অচুম্বদগী কয়া য়াম্না থাপতোরক্লবা ৱাঙাঙনো? ...'পুন্সিদা ইহান হান্না ভোট থাদগদৌরিবা ভোট্টরশিংদা, ৱাহংসিমত্তং থম্মোয় শেংনা হংনীংই - অদোমগী ভোট অদু পাকিষ্টানগী বালাকোর্টতা বোম থাদখিবা ইন্দিয়াগী জৱানশিং অমদি কাশ্মীরগী পুলৱামা-এটেক'তা থৱায় মাঙখিবা লান্মীশিংদুগীদমক কথোকপিবা ঙম্লোইদ্রা'...? লৈবাকসিগী সিক্যুরিটিদা শীংনরকপা, ইন্দিয়ন আর্মিশিংগী সুপ্রিম সেক্রিফাইস অদুগা ইলেক্তোরেল পোলিটিক্স'কা কয়া হৈনা তোৎশিন্নখ্রবা য়েংবীয়ু। মোদিগী ৱাঙাঙসিনা ইন্দিয়ন পোলিটিক্সকী অনৌবা থাক অমদা চঙশিল্লকপগী মমি অমগুম উহল্লকই। সাহিত্যদা নোবেল প্রাইজ ফংখিবা, বৃটিশ 'স্ক্রীনপ্লে-রাইটর 'হেরোল্ড পিন্টর'গী ৱাহৈ পরেং অমা নীংশিংলকই - "দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী পোলিটিসিয়ন অয়াম্বা অচুম্বগী মীচংদা কৈদৌনুংদসু লেপ্তে, মতম চূপ্পদা মখোয়না খল্লি 'পোলিটিকল পাৱর' অদুতমক, লোয়ননা 'পাৱর অদু করম্না মখা তানা পায়দুনা লৈগদগে' হায়বদুতমক"।

অচুম্বা অমদি থাজনবা (ক্রুথ এন্দ ত্রষ্ট) হায়বসি মীয়াম-লৈঙাক (দেমোক্রেসি) হায়বসিগী য়াঙলেন শরূনি হায়বসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী লুচিংবশিংনা কাউফমদি থোক্তবনি। ৱাফম অসি ষ্টেটশিংগী লুচিংবা মচাশিংনা কাউথোক্লবসু মোদিগুম্বা লুচিংবা অমনদি কাউফম থোক্তবনি। ইনফোর্মেসন অমসুং কম্যুনিকেসন সাইন্স অসি য়ৌনা চাওখৎলবা মতমসিদা 'মখোয়না পংঙাঙ ঙাঙলগা অতাবনা পঙতা তাগনি খনবদুসু লানগনি। পুলৱামা এটেক অদু থোকহল্লমদবা য়াবা থৌদোক অমনি। ইন্টেলিজেন্সনা ফংবা রিপোর্ট ...গভর্ণমেন্টনা তৌফম থোকপা তৌহৌদবা ... মমতা বেনর্জিনা পুখৎলকপা ৱাফম খরা, মোদিনা লৌ য়াখিদবদুদা অচুম্বা খরসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া ফাওবা চমম্নহনবা ঙম্লিবা মোদিনি। অচুম্বা অমসুং থাজববু তুংওইনরম্লবা মহাক্কী লৈঙাকসিনা ঐখোয়গী করম্বা তুংলমচৎ অমা পুরক্লিবগে? য়েংবা তারি হৌজিক।

লৌশিং পুক্কে

# অঙাংদা তোয়না চৈগনবা অমসুং ঙাইহাক লৈতনা ঈশৌ লাংবা মমা-মপানা য়োকপা অঙাংশিং চাউরক্লগা মশা-মউ ফগন্দে

অঙাংদা তোয়না চৈগনবা অমসুং ঙাইহাক লৈতনা ঈশৌ লাংবা মমা-মপানা য়োকপা অঙাংশিং চাউরক্লগা মশা-মউ ফগন্দে হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী আইওৱা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী থোমাস স্কোফিল্ডনা হায়খি, পীক্লিঙৈদা তাথি-তাওইনা তৌবীবা অমসুং তোয়না চৈবীবা অঙাংশিংনা চাউরক্লগা মায়োক্লবা হকশেলগী খুদোংচাদবশিং পাক-হেক কোকহনবা ঙমদে। অঙাংদা খক ফূবা-চৈবা তৌরোইদবনি হায়বগী ৱা নৎতে। মতাং-মতম চানা চৈদবসু য়াদে। অদুবু ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা খোঙথাং খুদিং শেন্নদুনা অশোয়বা থিরগা চৈ-থাংবা তৌরোইদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনা নুমীৎ খুদিংগী করিসু লৈতবা মরম অমগীসু চৈবা তারবদি অকোনবদা অঙাংনা মৱা লৌবীদবা, থৌশাবীদবগী ফীভম লাকপা য়াই।





মতৈ-মনাও ৪৫১ না মচা য়োকপগী মওং মতৌ রিছার্চরশিংনা কূপ্না য়েংশিল্লম্মী। অঙাংশিং অদুনা চাউরক্লগা ওইরকপা হকচাংগী ফীভমসু য়েংশিল্লম্মী। মদুনা তোয়না চৈবীবা অমসুং ঙাইহাক লৈতনা ফূবীবা অঙাংশিং চাউরক্লগা হকচাংগী অরূম্বা-অনোয়বা হেনবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লে হায়বা খঙলকখিবনি।

'সোসল সাইন্স এন্দ মেদিসিন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা আইওৱা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী থোমাস স্কোফিল্ডনা হায়খি, মমা-মপা ওইবশিংনা করিগুম্বা মচাশিংবু তশেংনা হীরম খুদিংমক্তা ফহন্নিংলবদি তোয়না চৈবী-রোইদবনি, ফূবীরোইদবনি অমসুং তাথি-তাওইনা তৌবীরো-ইদবনি। অদুবু ইপানা চৈরক্কনি নৎত্রগা ইমানা ঙাঙলক্কনি হায়বগী অকিবা অমদি ফাওহনগদবনি। ফূবা ঙাক্তনা, চৈবা ঙাক্তনা অঙাংবু হেন্না ফহনবা ঙমগদবা নত্তে। মদুগী মহুৎতা হেক্তা অফবা ওজা অমগী মতৌগুম অফবনা করিনো অমসুং ফৎতবনা কদায়বুনো হায়বদু অঙাংশিংদা ময়েক শেংনা খঙহনবগা লোয়ননা মদু তৌদবা তারবদি ইমা-ইপা শাউরক্কনি হায়বা খঙহনগদবনি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইগী রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মথন্তা তোখায়না পীজবগী মহুত্তা ইমুং-মনুং পুন্না চামিন-থকমিন্নবগী হৈনবী থম্বা ইমুংগী অঙাংশিং চাউরক্লগা চাকচা-য়ুথক ফজৈ হকশেলগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদে।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইগী বার্বরা ঐচ ফিজনা হায়খি, ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পুন্না চামিন্নবা মতমদা অঙাংশিংনা মমা-মপাদগী ফজবা চাকচা-য়ুথক্কী মওং মতৌ তমহৌই। করম-করম্বা চীঞ্জাক চারগা হকচাং ফবগে হায়বদুসু অঙাংশিংনা মমুৎ তানা খঙহৌই।

মীওইবনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হেল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। অদুবু পীক্লিঙৈদগী চাকচা-য়ুথক ফজবা তন্বীহৌরবদি তুংগী পুন্সিদা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহন্দে। য়াম্না মরুওইবা অমনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পুন্না চাক চামিন্নরিঙৈদা মরুওইবা ইস্যুশিং পুথোক্তুনা খন্নহৌগদবনি অমসুং অমগা অমগা পার্ড ফাওনহৌগদবনি। অঙাংদা অফবা পার্ডতাক পীগে হায়রবদি চাক চামিন্নরিঙৈদা পীহৌবনা খ্বাইদগী ফবা হেল্লি।

রিছার্চরশিংনা ইমুং ২০০ রোমগী মওং মতৌ কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা খঙলকপা মতুংইন্না অঙাংশিংবু অফবা মীশক অমমম ওইহনগে হায়রবদি নুমীৎ খুদিংগী ইমুং পুন্না চাক চামিন্নগদবনি অমসুং চামিন্নরিঙৈদা অফবা পাউতাক পীহৌগদবনি।

চাকচা-য়ুথক ফজবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না মরুওইবা গুননি। মরম অদুনা অঙাংশিংগা পুল্লপ চাক চামিন্নদুনা ফজবা চাকচা-য়ুথক কদায়বু কৌবগে হায়বদু থবক ওইনা উৎকদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংদা ফনা ফবা পাউতাক পীরবসু অঙাংশিংনা পাক হেক ইল্লু হায়বা য়ারোই। ঙসি খুন্নাইদা ফৎতবা থবক কয়া তৌরিবা মীওইশিং অসি মমা-মপানা ক্রাইম তৌরুচো হায়না পাউতাক পীরকখিবা নৎতে। অঙাংশিংবু অফবা মী ওইহনগে মমা-মপাশিং অফবা মীশক হান্না ওইবা তাই। লমচৎ-শাজৎ ফজবা তাই। মদুতদা অঙাংনা মতৌ তম্লক্কদবনি হায়রি। নৌরিবা অঙাংগী ৱাখলদদি মমা-মপানা মালেমদা খ্বাইদগী ফাওবা হিরো-হিরোইননি। মরম অদুনা অফববু ওইরবসু ফৎতববু ওইরবসু মমা-মপানা তৌবা থবক খুদিংমক মচানা মতৌ তম্লকপা হৌনশানি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ফেমিলি রিলেসন জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

# অম্মোকোক্কী কনভেন্সন পাঙথোক্লগনি : জলাল

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক) কী এন্যুএল জেনরেল বোদি, কনভেন্সন অমা ওগষ্ট ২৫ দা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্মোকোক্কী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা ফোঙদোকখ্রে।

হট্টাদা লৈবা অম্মোকোক্কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা জলালনা হায়খি, ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা ইনরোলামেন্ট লোইশিল্লগনি। কনভেন্সন অসিদা সোভেনির অমসু পুথোক্লবসু লেপ্লরে। কছার, ত্রিপুরা, বাংলাদেশনচিংবা মফম কয়াদগী ইনভাইটিশিংসু য়াওহন্নবা থৌরাং তৌরি। অম্মোকোক্কী তোঙান তোঙানবা লোকল কম্মিটি অমসুং য়ুনিটশিংগী জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্লবা অমদি থৌ পুবশিং খন্নবগী থবকসু পায়খৎলগনি। হৌজিক লৈরিবা লোকল কম্মিটিশিং অসি জেনরেল বোদি মীফম অসি য়েংলগা লোকল কম্মিটি য়ুনিটশিং শেম্নবা দিজোল্ব তৌরে।

অম্মোকোক্কী মিং শীজিন্নরগা লোকল কম্মিটিগী মিংদা ষ্টেটমেন্ট থোকপা, ওর্গনাইজেসনগী চৎন-কাঙলোনগী মায়োক্তা ষ্টেটমেন্ট থোকপনচিংবা তৌবীগনু। করিগুম্বা চথরক্লবদি লোগী ওইবা থবক লৌখৎকনি। অম্মোকোক্কী মিংদা ৱাটচএপ গ্রুপ শেম্বা তারবদি মরী লৈনবশিংনা খুদক্তা থিংজিনবীয়ু। অম্মোকোক্কী মিংদা ৱাটচএপ গ্রুপ নৎত্রগা ফেসবুকনচিংবা গ্রুপ শেম্বা থেংনরবদি মরী লৈনবশিংগী মথক্তা থবক পায়খৎকনি। মণিপুরদা লৈরিবা পাঙলগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ক্লবশিংনা ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা অম্মোকোক্কী ওফিসতা নৎত্রগা ৱেবসাইটতগী ফোর্ম দাউনলোদ তৌরগা ইনরোল তৌবীয়ু। এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমা কনভেন্সননা খল্লগনি। অমসোগী ইস্যু অচুম্বা লম্বীদা লাক্লবা চঙশিল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লমদমসিগী মীয়ামগী চাকথুং ফংনবা মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিনবীয়ু : এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): লমদমসিগী মীয়ামগী চাকথুং ফংনবা মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিনবীয়ু হায়না সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) গী সেক্রেটরি জেনরেল ভুষন লোংজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লায়রবা মীয়াম্না অহোংবা মমলদা হায়বদি কেজি ১ দা লুপা ৩ দা ফংগদবা অয়েনচেঙগী ৱাথোক অসি ঙসিদি মণিপুরগী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরে। মণিপুর লৈঙাক অমদি মসিগী হকথেংনবা মিনিষ্টরনা হৌখিবা চহী কয়া অসি চেঙ ফংদে হায়বগী ৱাকৎ লৈতে হায়না মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি খুরাই এ সীগী এম এল এনা ৱাকৎপীদুনা ৱাথোক অসি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লে। খুরাই এ সীগী এম এল এবু এস এস য়ু এমনা মহাক্লা লৌরিবা থৌদাং অসিগীদমক ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

মণিপুর মীয়াম্না হৌজিক ৱাথোক অসিদা মখা তানা তুমীন্না লৈশিনফম থোক্ত্রে। ইশা-ইশাগী চাকথুং লৌরিবশিং অসিগী মায়োক্তা লৈকায় লৈকায়দা থোক্তুনা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বীয়ু। হৌখিবা চহী কয়া অসি লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং মৎতুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি এম এল এ ফাওবনা চোংথোরকপা অসিনা খুদম চাংদম পীরে। তানফম অসিদা মীয়াম্না মখা তানা তুমীন্না লৈশিনফম থোক্ত্রে। তানফম অসিদা চেঙগী ৱাথোক অসিবু লোক জন শক্তি পার্টিনা খুরাই অমদি লংথবাল অনীগী মুক্লবা ওইনা উহন্নবা হোৎনবসি লাইবক থীবনি। এল জে পিগী থৌওং অসিদা লংথবালগী মীয়াম্না পংথবীগনু। মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা থা ৩ নৎত্রগা ৪ দগী তাদনা চেঙ মাঙবগী ৱাথোক থোক্লিবনি। মণিপুরদা চাক তাঙবা থোক্লিবসি তশেংনা চেঙ লৈতবদগী চাক তাঙবা নত্তে। লুপা ৩ দা ফংগদবা চেঙ অসি কৈথেলদা তাঙনা য়োনবনি। খুৎশেমগী চাক তাঙবা অসিগী মায়োক্তা মীয়াম হুপ্লা অমত্তা ওইনা থেংনবা মতম ওইরে।

ৱাথোক অসি খুরাইগী এম এল এ খক্কী মরন্নাই নত্তে। মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং লৌরিবশিং থেংননবা মীয়ামগী ওইবা ৱাথোকনি। মীয়াম হুপ্লা থেংনমিন্নরসি। মীয়াম্না ফংফম থোকপা চেঙ ফংদবা থোক্লবদি ইশা-ইশাগী লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।




# বনমহোটসভকা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা উ-চারা কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): বনমহোটসভকা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা উ-চারা কয়া থাখ্রে। থা অসিগী ১ দগী হৌদুনা চথরকপা বনমহোটসভগী থৌরম লোইশিনখিবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা উ-চারাশিং থাখ্রে।

ওকেন্দ্রো কেটরিং সার্ভিসনা শীনদুনা ঙরাং লৈকোইপাৎ ইকোলোজিকেল পার্কতা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা উ-চারা মখল কয়া থাখি। উ থাবগী থৌরম অদুদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বর, শক্লাইরবা কোমেদিয়ন টি ঐচ জোসেফ অমদি এক্টর নির্মলসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ক্বাকসিফাই খুঙ্গংদসু ক্বাকসিফাই য়ুথ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা গ্রো ট্রী সেভ লাইফ হায়বা পান্দমদা উ-চারা ৫০০ রোম থাখি। উ থাখিবা অদুগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী সেক্রেটরি নাওরেম ধনশ্যামনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা নোংজু-নুংশাগী মতম নাইদ্রে। মসিনা লৌমীশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। লমদম অসিদা শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। শাবগী চাং হেল্লকপা অসিনা হান্না লৈজরম্বা শা-উচেক কয়া অমসু নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লি। মমাঙৈদগী লৈরক্লবা লম্লক্কী শা-উচেক অমদি উপাম্বী মখল কয়া অসি ঐখোয়না ঙাক শেন্দুনা থম্বা তাই। ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা হোৎনবদা লম্লক্কী শা-উচেক কনবা অমদি উমং-ৱামং য়োকখৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা ঙসিগী মালেমদা মীওইবা খুন্নাইনা চৈথেং কয়া ফংলক্লি। লমদম অসিদসু মহৌশাগী খলদা অহোংবা কয়া লাক্লি। শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা লৈবদা অৱাবা কয়া অমসু থেংনরিবনি। উপাল-ৱাপাল য়োকখৎনবা অমদি উমং কন্নবা হোৎনবা মতমদা লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী য়াম্না চাউরবা থৌদাং লৈ। উ-চারা মফম কয়াদা থাবগা লোয়ননা নীংথিনা হিংহন্নবা হোৎনবা তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, মহৌশাগী অকোয়বগী খল কন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদগী কনবা ঙম্নবগীদমক উ-চারা থাবা তঙাইফদে। থারিবা উ-চারাশিং হিংহন্নবা হোৎনসি। বনমহোটসভ লোইশিল্লকপা অসিদা লমদম অসোমদা য়েলহৌঙৈদগী হৌরক্লবা লমদমসিগী ওইবা উ-চারা কয়া থাবনি। উ-চারাশিং অসিবু পীরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মখা তাখি। উ-চারা থাবগী থৌরম অদুদা ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি খুলগী নহা, অহল কয়াসু শরুক য়াখি।

# বাইওগ্রাফি ফোরমনা এৱার্দ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরম, ইম্ফাল ইষ্টনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পীবা রিজনল অমসুং নেসনল এৱার্দশিং লোয়ননা হন্দক চহীদগী পীবা হৌগদবা ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটি কেস এৱার্দ থা অসিগী ১৪ দা মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা য়েন্থোক্লগনি হায়না ফোরম অসিগী ফাউন্দর চ্যেরমেন কে বি ইঙারেম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৯ গী ওইবা চহীসিগী থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি হয়েংগীদমক ঙসিগী মীরোল হায়বা অসিনি। চহীসিগী ওইনা কেস এৱার্দ ফংলগদবা মীওইশিংদি, সগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়দগী বিনালক্ষ্মী নেপ্রমদা ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটি এৱার্দ, তেকচম লাইবুং লৈকায়দগী ডা. তেকচম রোসনদা নেসনল লিটরেরি এৱার্দ অমদি রিজনল হেন্দিক্রাফ্ট এৱার্দতা ইরোইশেম্বা মমাঙ লৈকায়দগী সলাম প্রেমিলানি। ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটি এৱার্দ অসি কে বি ইঙারেম্বনা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রবা কাংঙবম চাওবগী মিংদা কৎপনি। নেসনল লিটরেরি এৱার্দ অসিনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা আর কে নোয়োনসনানা মহাক্কী মমৌনুপী আর কে সর্মিলাগী মিংদা কৎপনি। রিজনল হেন্দিক্রাফ্ট এৱার্দ অসি ক্যামগৈদগী এল রামেশ্বরনা মধৌ লৌরেম্বম অঙাংহলগী মিংদা কৎপনি। ইন্টরনেসনলগী অতৈ এৱার্দ ফংগদবশিংদি ও মংলেম (থাঙ-তা), লোলিতা (আর্ট এন্দ কলচর) অমদি খাইদেম চাওবী (পর্ফোর্মিং আর্ট) নি হায়রি।




# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৭।২০১৯, য়ুমশকৈশা, ইঙেনগী ৯ নি পানবা।

মেষ : মীকোক থোংবা, খুদক্তা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা পাইরক্কী লৌশিং লৈবা, লমদগী নুংঙাইবা পাউ তাবা, মরুপকী মতেং ফংবা অমদি লল্লোন-ইতিক্তা শেন্দোং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : মরুপ-মপাংনা নরলদা মীতাবা অমদি অনম তাল্লগা হেন্নদুম নরল ময়েংতাবা লৈগনি। অদুবু শাগৈনা চানগনি, অরুবা অনীংবা অফবা থবক্তি শোইদনা পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : চিন য়াঙগনু অরেম্বদা লুনা থমজবা লন মাঙগনি। অশাওবনা নঙগী য়েক্লবনি-ৱাখল ফাথহৌদ্রদি নরল ফোইদৎচবা থোক্কনি। খোঙফম খরা হন্দোকপনা তুংদা লাকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা লৈরোই-তহাগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কর্কট : লৌশিং অমদি অচুম্বা চৎপতনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। লাই-গুরুনসু চানগনি। মীনা ইনশিনবা লৌবদৈ মরম চাদনা শেল পিথোকপগী নুংঙাইতবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাল্লুবদৈ মাঙজবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : হকচাং নুংঙাইবা, ৱাখল নুংঙাইবা, নচাক-নরল ফংবা, থবক মঙ্গল ওইবগী পেঞ্জবা লৈগনি। লৈঙাক্কী থবক্তা মাঙলোবদা চংশিনবা য়ারনি। ফিংলদি কাইননি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : কিরম্বা হন্থরে, হকচাংসু নুংঙাই, তুংগী পোরম নিংথিনা য়াৎপা য়াগনি, ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি। শাগৈ/নক্লবনা তেংবাংবী, থৌনা ফুদোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা : মীচং হেনগৎপা, থবক্কী পাউ নুংঙাইবা, লৌশিংনা লন তানশিনবা ঙম্বা অমদি নথক থোংবনা থাগৎপীবা লৈগনি। অদুবু নত্তবা পাম্বৈ পাল্লক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ফত্তবা ৱাখল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : পংশিল্লি অদুনা নাইতোম অরুবা অনৌবা থবক পাংগনু। য়েক্লবা ময়েং তাগনি অমদি মীয়াম্না থোইনা চানগনি। মৈদৈ চেকশিল্লু, নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : শেল ফংবা, লাইবক ফবা, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি নীংবা মপা চাবা নুমিৎনি। থাজদনা নক্লবনা য়েৎপা অমদি খূৎলায়না শোকপা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবা ফাথরদি নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : থবক পাংগনি, মীচং হেনগৎপা অমদি অনীংবদুমক পাংবা য়াবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি। অরাপ্পা চৎপা অফবা ফল ফংগনি। লনদি চৎফম য়ামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : অয়াম্বা থবক্তা ঙক কনগনু অমদি অরোন-অথুপ হায়দোক্কনু-নত্রবদি পূক্নিং নুংঙাইতবা অমদি মীখা পোনবা লৈগনি। মরুপ/নথক থোংবা লোয়নবদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক খরা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: নচা-ননাইগী লম্দা নীংবা থুংলোই, লল্লোন-ইতিক্তসু মায় পাকপা ৱাৎলি অদুনা খূৎচাও থাগনু। অশাওবা অমদি য়েক্লবনা তাথি। ঈংনা-তপ্পা থৌ পাংবনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।